# সিট ৪গী বাই পোল ইলেক্সনদা বি জে পিনা ২ অদুগা কোংগ্রেস অমসুং লেফনা অমমম ফংখ্রে



ন্যু দিল্লি সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ষ্টেট উত্তর প্রদেশকী হমিরপুর, ছটিসগরগী দান্টেৱারা, কেরালাগী পালা অমসুং ত্রিপুরাগী বাধরঘট এসেমব্লী সিটকী বাই পোল ইলেক্সন পাঙথোকখিবদা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী মীরেপ অনী মায় পাকখ্রে অদুগা কোংগ্রেস অমসুং লেফ পার্টিনা সিট অমমম ফংখ্রে।

বাই পোল ইলেক্সন অদুদা উত্তর প্রদেশকী হমিরপুর এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ যুবরাজ সিংহনা সমাজৱাদি পার্টিগী মীরেপ মনোজ প্রজাপতিবু ভোট মশিং ১৭,৮৪৬ হেন্দুনা বাই পোল অদুদা মায় পাকখি। যুবরাজ সিংহনা পুন্না ভোট মশিং ৭৪,৩৭৪ ফংখিবদা সমাজৱাদি পার্টিনা মনোজ প্রজাপতিনা ভোট মশিং ৫৬,৫২৮ ফংখি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখি।

ত্রিপুরাগী বাধরঘট এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ মিমি মজুমদরনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইখিবা সি পি আই (এম)গী মীরেপ বুল্টি বিস্বাসপু ভোট মশিং ৫,২৭৬ হেন্দুনা মায় পাকখি।

হায়রিবা কন্সটিটুয়েন্সি সিট অদু চহী অসিগী এপ্রিল থাদা মায় পাকখিবা বি জে পিগী মীরেপ দিলিপ সরকার লৈখিদবদগী বাই পোল অদু থা অসিগী ২৩দা পাঙথোকখিবনি। বি জে পিগী মীরেপ মায় পাকখ্রবী মিমি মজুমদরনা সি পি আই (এম)গী বুল্টি বিস্বাসপু মায়থীবা পীবদা পুন্না ভোট মশিং ২০,৪৮৭ ফংখিবদা সি পি আই (এম)গী বুল্টি বিস্বাসনা ভোট মশিং ১৫,২১১ ফংখি।

ছটিসগরগী দান্দেৱারা এসেমব্লী বাই ইলেক্সনদা কোংগ্রেসকী মীরেপ দেবতি কর্ম্মনা বি জে পিগী মীরেপ ওজাস্বি মন্দাবিবু ভোট মশিং ১১,১৯২ হেন্দুনা মায় পাকখি।

দেবতি কর্ম্মনা বি জে পিগী মন্দাবি মায়থীবা পীবদা পুন্না ভোট ৫০,০২৮ ফংখি। অদুগা মন্দাবিনা ভোট মশিং ৩৮,৮৩৬ ফংবা ঙমখি।

কেরালা ষ্টেটকী পালা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা হান্না মায় পাকখিবা ষ্টেট অদুগী ফাইনান্স মিনিষ্টরসু ওইরম্বা কে এম মনিনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা লৈখিদ্রবা মতুং পাঙথোকখিবা বাই পোল মীখল অদুদা এল দি এফ পার্টিগী মনি সি কাপেননা কোংগ্রেসকা খুৎশম্নবা য়ু দি এফকী মীরেপ জোস তোং পুলিকুনেলবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

এল দি এফকী মনি সি কাপেননা কেরালা কোংগ্রেসকী মীরেপ পুলি কুনেলবু ভোট মশিং ২৯৪৩ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি।

# মাইক্রো, স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজ মিনিষ্ট্রিদা পীখৎকদবা শেনফম শেংদোক্কদবনি ঃ সিথারমন



ন্যু দিল্লি সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ান ইকনমিদা হান্না লৈরম্বা ফিভম অদু হেন্না ফগৎনবগী খোঙথাং লৌখৎলকপদা ইন্দিয়াগী ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা ঙসি ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজশিংগী মায়কৈদগী পীখৎকদবা শেনফম শেংদোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা মরু ওইবা ফাইনান্সকী সেক্রেটরী য়াওনা মরু ওইবা মিনিষ্ট্রিশিংগী ফাইনান্সিয়ল এদভাইজরশিংগী মীফম অমা লোইরবা মতুং পাউমীশিংগা উনবদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হয়েং পব্লিক সেক্টর অন্দরটেক্কিংশিংগী তোঙান-তোঙানবা এজেন্সিশিং অমসুং অতোপ্পা মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা এজেন্সিশিংগা মীফম অমসু পাঙথোক্কনি হায়খি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না সি এ পি ই এক্স (কেপিটেল এক্সপেন্দিচর)দা ঙাইদুনা তোঙান-তোঙানবা মরী লৈনবা য়ুনিটশিংদা থাদখিবা শেনফমশিং অদু ঙাইদুনা লৈবগী মতম নত্রে। সি এ পি ই এক্সনা মখা তাবা ক্বার্টর ৪গী প্লান শেমদুনা থমখ্রবনি। চহী অসিগী ওগষ্ট লোইশিল্লকপা ফাওবদা সি এ পি ই এক্সকী অপুনবা চাদিং অসি চাদা ৪২ য়ৌখ্রে।

লৈঙাক্না চহী অসিগী ওক্তোবরগী অহানবা চয়োল ফাওবদা শোত্থদুনা লৈরিবা লুপা ক্রোর ২০,০০০গী শেনফম শেংদোক্লবা পান্দম থল্লি। ঙসি ন্যু দিল্লিদা তোঙান-তোঙানবা মরু ওইবা মিনিষ্ট্রিশিংগী ফাইনান্সিএল এদভাইজরশিং অমসুং সেক্রেটরীশিংগা ফমখিবা মীফম অদু লোইরবা মতুং ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোর্পোরেট টেক্স রেট অসি চাদা ৩৫ লৈরম্বদগী ২৫দা হন্থরগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুগী মখা তারকপদা পাঙথোকখিবা মীফমদা ফোঙদোকখিবনি।



TODAY TODAY
BUMPER HOUSIE DRAW
In Aid of:
Resource Development Organisation (RDO)
Singjamei, Imphal
Regd. No. 644/SR/IW/2008
MINI BUMPER
1st
TICKET RATE ₹500/- ONLY
2nd
3rd
TICKET RATE ₹ 750/-
PRIZES:
2.5 Lacs
(Ng. Sundari Devi)
Secretary,
RDO, Singjamei
DATE : 28 SEPTEMBER, 2019
VENUE : SINGJAMEI WANGMA THONGKHONG BHEIGYABATI LEIKAI
HL-P/4353/28

# পঞ্জাব ষ্টেটতা পাকিস্তানগী দ্রোন ফংখ্রে ইন্দিয়ানা মতিক চানা পাউখুম পীবা ঙমগনি হায়খ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী পঞ্জাবকা পাকিস্তানগা লোন্নবা মফম অমা ওইরিবা অটারিদা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী টেররিষ্টশিংগী খুৎলায় থাদনবা শীজিন্নখিবা দ্রোন অমা ফংখ্রে হায়না সেনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখ্রে। ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী থৌওং অদুবু মতিক চানা পাউখুম পীনবা শেম শাখ্রে।

পঞ্জাব পুলিসকী কাউন্টর ইন্টলিজেন্স য়ুনিটনা পাকিস্তানগী দ্রোন অদু অটারিগী মফম অমদা ফঙখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। পঞ্জাবকী কাউন্টর ইন্টলিজেন্স য়ুনিটকী সেনিয়র পুলিস ওফিসার বলবির সিংহনা ফোঙদোকখিবদা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াদা টেররিষ্টশিংগী খুৎলায় থাদনবা শীজিন্নরকখিবা দ্রোন অদু য়াদবদগী অটারিগী মফম অমদা তাখিবনি।

দ্রোন অদু আটারিগী লৌবুক অমদা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বনি। পনবা য়াই হৌখিবা চয়োলদা পঞ্জাব পুলিসনা পাকিস্তানগী দ্রোনশিংনা পঞ্জাবকী অম্রিতসর সিটিদা এ কে-৪৭ এসোল্ট রাইফলশিং অমসুং গ্রেনেটশিং থাদনবা হোৎনরে হায়বা পাউ পীখ্রবনি। হায়রিবা খুৎলায়শিং অসি ইরাং থোত্তুনা লৈরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টেরিষ্টশিং শৌগৎনবা হোৎনবা থৌদোক অমনি হায়খি।

পঞ্জাব পুলিসকী কাউন্টর ইন্টলিজেন্সি য়ুনিটকী মায়কৈদা ফোঙদোরকপদা পাকিস্তানগী দ্রোনশিং অদুনা থা অসিদা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা খুৎলায় অমসুং সেটলাইট ফোনশিং থাদবগী থবক পাঙথোকখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পঞ্জাবকী টর্ন টর্ন দিষ্ট্রিক্টতা খালিষ্টান জিন্দাবাদ ফোর্সকী টেররিষ্ট ৪ ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়দগী খুৎলায় কয়া অমসুং লুপা লাখ ১০ রোমগী ওইগদবা জালি নোটশিংসু ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

ইন্দিয়াগী নেসনল টেক্নিকেল রিছার্স ওর্গনাইজেসন (এন দি আর ও)না পাকিস্তানগী মায়কৈদগী দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা থাদরকখিবা সেটলাইট ফোনশিং অদুগী অকুপ্পা থিজিন্নবা হোৎনরি। লোয়ননা বোর্দর অদুদা করম্বা ফোনশিং থবক তৌরিবগে হায়বদু য়েংশিন্নবগী অকনবা থবক লৌখৎলিবা অদু নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবালদা রিপোর্ট অমসুং পীখৎলগনি হায়রি।

# উত্তর প্রদেশতা নোং কন্না চুখিবগা মরী লৈননা মীওই ৪৪ শীহনখ্রে

লখনৌ, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নোং কন্না চুখিবগা মরী লৈননা মীওই ৪৪ শীহনখ্রে হায়না ষ্টেট অদুগী ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

নোং কন্না চুখিবনা মরম ওইদুনা য়ুম নীংখাইখিবা, ঈরাক্নদুনা শীখিবা, লিননা চিক্তুনা শীখিবা, ব্রজ তাবদা শীখিবা থৌদোকশিং য়াওনা ষ্টেট অদুগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীওই ৪৪ হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা শীহনখ্রে হায়না ষ্টেট অদুগী রিলিফ কম্মিস্নারগী ওফিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

প্রতাপগর অমসুং রেবরেলিদগী মীওই ৬/৬, অমেথিদগী ৫, চন্দোলি অমসুং বরানসিদগী ৪/৪, প্রয়াগ্রাস, বরাবনকি অমসুং মহোবাদগী মীওই ৩/৩, অম্বেদকরনগরদগী মীওই ২ অমসুং কানপুর, গোরাকপুর, সোনেভদ্রা, অযোধ্যা, সহারানপুর, জোনপুর, কোসম্বী অমসুং অজমগরদগী মীওই অমমম শীখ্রে হায়না ওফিসল পাউ অসিনা মখা তারি।

উত্তর প্রদেশতা নোং কন্না তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা থোরক্লিবা অৱা-অনাগী থৌদোকশিং অসি য়েংলুরগা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যা নাথনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা মেজিষ্ট্রেটশিং অমসুং দিভিজনেল কম্মিস্নারশিংদা পাউতাক পীরদুনা অশোক অপন নংলবা মফমশিং অদুদা খুদক্কী ওইবা মতেং পীননবা অমসুং লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু ওফিসলগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী নোংনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ৪/৪গী শেলগী মতেং পীননবসু লাউথোকখিবা লৈরে।

No. 4(5)75-76/JNMDA
OFFICE OF THE JAWAHARLAL NEHRU MANIPUR DANCE ACADEMY
DANCE, IMPHAL

**ADVERTISEMENT**
Imphal , 27th September, 2019

Applications are invited from eligible candidates for the following post of Junior Clerk of JNMDA:

| Sl. No. | Name of the Post(s) | Scale | No. of Post(s) |
|---|---|---|---|
| 1 | Junior Clerk | Pay scale PB-1 Rs.5200-20200+ Rs.1900 Grade Pay (Pay Level 2 of Pay Matrix i.e. Rs. 19900-63200, as per 7th CPC) | 03(three) (Gen) |

**Educational Qualification:**

i) **Essential**
a) Matriculation or equivalent qualification from recognized Board or University
b) Should have minimum speed of 30 wpm in English typing/ 25 wpm in Hindi typing

ii) **Desirable**
a) Experience of Data Entry on Bilingual Computer
b) Working knowledge of Hindi

**Age :**
Between 21-28 years on the closing date of receipt of application (Upper age limit will be relaxed by 3 years of OBCs and 5 years for SC/ST candidates and relaxable 5 years in the case of persons employed in Central Govt./State Govt./Autonomous bodies.)

Applicants should submit their bio-data giving information like 1. Name 2. Father's Name 3. Address & Contact No. 4. Age 5. Qualification 6. Professional experience7.Present Occupation etc. on Plain Paper with self attested copies of certificates/testimonials addressed to Administrative Officer, Jawaharlal Nehru Manipur Dance Academy, Imphal.

The last date of submission of Application is 14th October, 2019

**Note:**
i) Those employed candidates should route their applications through proper channel.
ii) The Academy reserves the right to reject any/or all applications and cancel the proceedings/recruitment at any time without assigning any reason thereof.
iii) Incomplete or unsigned application without photographs or late applications will be summarily rejected.
iv) The posts are temporary and likely to be permanent.

Sd/-
Administrative Officer, JNMDA
HL-P/4349/28

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 27th September, 2019

No.3(II)/1/10-HSC(Vol-I): In continuation of this office Notification of even number dated the 28th August, 2019, it is, hereby, notified for information to all the concerned Principals of Colleges having +2 Courses and Higher Secondary Schools under the Council of Higher Secondary Education, Manipur that the last date of online submission of data of students for classes-XI and XII along with completed Registration Application forms, Enrolment print out copies, necessary documents etc. have been extended as under:

| Sl.No. | Class | Fees | . Late Fine | Total | Last Date |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | XI | Rs.520/- | Without Fine | Rs.520/- | 8-10-2019 |
| 2 | XI | Rs.520/- | Rs.500/- | Rs.1020/- | 21-10-2019 |
| 3 | XI | Rs.520/- | Rs.700/- | Rs.1220/- | 5-11-2019 |
| 4 | XII | Rs.180/- | Without Fine | Rs.180/- | 10-10-2019 |
| 5 | XII | Rs. 180/- | Rs.500/- | Rs.680/- | 23-10-2019 |
| 6 | XII | Rs.180/- | Rs.700/- | Rs.880/- | 7-11-2019 |

Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr.Sec.Edn., Manipur
HL-B/5700/28

OFFICE OF THE
CHIEF ELECTORAL OFFICER: MANIPUR
-------
www.ceomanipur.nic.in
Telefax : 0385-2414239/2414859
ceo_manipur@eci.gov.in
jtceo_manipur@eci.gov.in

**NOTICE FOR RE-TENDER**
Imphal, the 25th September, 2019

No. 5/ELEC/BLO-NET/2016: Chief Electoral Officer, Manipur re-invites fresh bids for procurement of 1500 Mobile handsets for BLO Net App to be used during Electors Verification Programme.

2. Tender is to be submitted on-line through e-procurement/tender portal https://manipurtenders.gov.in. The timeline of bids is given below:

| Particular | Start date & time | End date & time |
|---|---|---|
| Publishing/downloading Tender Documents | 15:00 hrs of 25.09.2019 | 13:00 hrs of 09.10.2019 |
| Seeking clarification | 15:00 hrs of 25.09.2019 | 14:00 hrs of 28.09.2019 |
| Submission of Tender Fees & EMD | 15:00 hrs of 28.09.2019 | 14:00 hrs of 09.10.2019 |
| Submission of tender documents | 15:00 hrs of 28.09.2019 | 14:00 hrs of 09.10.2019 |
| Bid opening | 15:00 hrs of 09.10.2019 | |

3. Details can be downloaded from the website https://manipurtenders.gov.in

Sd/- Ramananda Nongmeikapam
Joint Chief Electoral Officer,
Manipur
HL-B/5699/28

EMOINU KEITHEL
A Departmental Store cum Super Market chain in Imphal

POST VACANCY

| SL. | POSITION | NO. OF POST | ELIGIBLITY | AGE | SALARY |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | SALES EXECUTIVE | 2 | XII PASSED | 18 - 25 YRS | 8,000 - 10,000 |
| 2. | HELPER | 1 | VIII PASSED | 18 - 25 YRS | 4,500 - 8,000 |

Documents Required :
1. Handwritten Application ( addresed to the Managing Director, E.T.C.C.S LTD)
2. Passport size photograph (1 nos.)
3. Aadhar (Self attested photo copy)
4. Self attested photo copies of certificates.

Last date of Application submission : 01-10-2019
Contact : +91 9862801891 (11 a.m to 5p.m)

Sd/-
Manager
3rd Floor, Emoinu
Institute of Information Technology Building,
B.T Road, Imphal
HL-P/4348/28

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

NOTICE
26th September 2019

**No.1/14/CNCP/ICPS-(SW):** The Shortlisted eligible candidates who had applied for the post of Chairpersons and Members of Child Welfare Committees (CWCs) for the districts of Imphal East, Chandel, Kakching ,Kangpokpi ,Kamjong ,Noney ,Tengnoupal & Pherzawl in response to Departmental Notification No.1/14/CNCP/ICPS-(SW) dated 17th May 2018 are hereby informed to appear in person along with original educational qualification certificates, experience certificates and related documents at the **Directorate of Social Welfares AT Line Near 2nd MR Imphal on 4th& 5th October 2019 (Friday&Saturday) at 10:30 a.m.**

| Sl. | Name of the Applicant | Address | Male/Female |
|---|---|---|---|
| **4/10/2010 (Friday) (SL No. 1 to 30)** | | | |
| 1. | NaoremAjit Singh | KakchingSumangLeikai | Male |
| 2 | NaoremSubhas Singh | Kakching BazarPajiLeikai | Male |
| 3 | K. LeimilaThokchom | HiyanglamAwangLeikai | Female |
| 4 | Kiran Kumar | Lamsang Thong Maning, I/W | Male |
| 5 | Robin Pheiroijam | KhagempalliPankha,imphalWest | Male |
| 6 | Ch. Anita | YaiskulchingakhamLeikai | Female |
| 7 | Ngangom(o)Medhapatidevi | Sega Road, KonjengHazariLeikai | Female |
| 8 | Ph.Binodini Devi | KeishamthongLongjamLeirak | Female |
| 9 | Th.HemantaMeeitei | Sekmaijin Bazar | Male |
| 10 | YengkhomShantibala Devi | KakchingKhullenPajiLeikai | Female |
| 11 | MohammadHabiburRahman | IrongChesabaMayaiLeikai | Male |
| 12 | TakhelmayumSunitibala Devi | KhuraiThoudamLeikai | Female |
| 13 | NaoremChonjon Singh | KhongmanMayaiLeikai | Female |
| 14 | RajkumariSorojini Devi | KhuraiSoibamLeikai | Male |
| 15 | Ksh.Jibanmala Devi | KhuraiThangjamLeikai | Female |
| 16 | NongmaithemChanuLenbi | SingjameiChingamakha | Female |
| 17 | WahengbamJoykumar Singh | WangkheiHijamLeirak | Male |
| 18 | MutumSangeetadevi | SagolbandIngudamLeirak | Female |
| 19 | LeihaothabamSurajbalaDevi | AraptiAwangLeikai | Female |
| 20 | MeitramArunkumar | Sega RoadTakhelLeikai | Female |
| 21 | NgamkhomangHaokip | HaokipVengSanjenthong | Male |
| 22 | Mr.PaulhringLanghu | ChandelChiristian | Male |
| 23 | Th.RengthangWonto | LamkhangKhunnou Village | Male |
| 24 | GolmeiPoushinglungKabui | CanchipurKhoupum | Male |
| 25 | T.Chinlunthang | Phaibem Village | Male |
| 26 | Miss. ZonunmawiiColney | Rengkai Road(CCpur | Female |
| 27 | J.L. Sawmi | Rengkai (CCpur) | Female |
| 28 | Rebecca Siemlien | Teddim RoadChurachanpur | Female |
| 29 | Lalhmangai | Churachanpur | Female |
| 30 | Andrew Lalchhuanmawia | Shillong HillRengkai | Female |
| **5/10/2019(Saturday) (SL No.31 to 60)** | | | |
| 31 | MangkholenHaokip | Wakan Village | Male |
| 32 | L.ThanglenkamKhongsai | SongphelkholenVillage,Saikhul,Kangpokpi | Male |
| 33 | HemangSingsit | Keithelmanbivillage | Male |
| 34 | M. John Thangal | YaikongpaoVillage | Male |
| 35 | SeikhojamKipgen | Kangpokpi ward no.7 | Male |
| 36 | HaominlenChongloi | Taphoukuki Village | Male |
| 37 | LamchaChongloi | TaphouKuki Village | Male |
| 38 | NempiNgailut | S.ChangoubungVillage | Female |
| 39 | S.Ngahanpam | Somdal | Male |
| 40 | R.S Khayawon | Ngaimu Village | Female |
| 41 | ChoureilaKeishing | Hangkaw Village | Female |
| 42 | Mr.Living Stone Keishing | BungpaKhunouVillage | Male |
| 43 | Zephyr Ngashangba | SinakeitheiVillage,Ukhrul | Male |
| 44 | Worthing Ningshen | Kumram Village | Male |
| 45 | M.PhungchingShaiza | Chadong village | Male |
| 46 | Michael Thomas | Moreh ward no.3. | Male |
| 47 | MakuRomilaMaring | Pallel, MaringphaiVillage | Female |
| 48 | AngkhongSaka | NungourokVillage | Male |
| 49 | Gibson Lamthaka | LaichingMinou | Male |
| 50 | K.Jangthaolung | NungourokVillage,pallel | Male |
| 51 | KhumanthemIbobiSingh | Awangkhunou | Male |
| 52 | ThailikGangmeiRomeo | Gaidimjang IKhoupum | Male |
| 53 | Ashokpi Kamei | Nungba H/Q | Female |
| 54 | YumnamSanjeevSingh | KeishamthongManingLongjamLeikai | Male |
| 55 | Th. Bidyarani Devi | UripokMayaiLeikai | Female |
| 56 | KavitaKeisham | Keishampat Sega Road | Female |
| 57 | ThingbaijamArun Singh | KeishamthongManingLongjamLeikai | Male |
| 58 | SubhadraKambam | Sagolband | Female |
| 59 | KonsamKherojit Singh | KhagempaliPankha | Male |
| 60 | MoirangthemNorendra Singh | UripokKhumanthemLeikai | Male |
| 61 | M. Binoy Singh | MoirangKhunouManingLeikai | Male |

Sd/-
(Ngangom Uttam Singh)
Director(Social Welfare)
Manipur
HL-B/5695/27-30 sept & 1-3 oct.